# পিছ কিপ্পিং ওপরেসনগী ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইন্দিয়াদা য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ৩৮ পীগদবা লৈরি




ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী অপূনবা লৈবাকশিংগী ওইবা লূপ অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা তোঙান-তোঙানবা ঈরাং থোকপা লৈবাকশিংদা চখবা পিছ কিপ্পিং ওপরেসনগীদমক্তা লূপ অসিনা ইন্দিয়াদা পীগদবা শেনফম য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ৩৮ ৱাৎলি হায়না য়ূনাইটেদ নেসন্সনকী সেক্রেটরি জেনরল এন্টোনিও গুটেরেসনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ূনাইটেদ নেসন্সকী হৌজিক লৈরিবা শেল-থুমগী ৱাফমদা শোকচিল্লক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা চহী অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা য়ূ এননা ইন্দিয়াদা পীগদবা পিছ কিপ্পিং ওপরেসনগী শেনফম অদু য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ৩৮ য়ৌরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ূ এনগী জেনরল সেক্রেটরি এন্টোনিও গুটেরেসনা ওর্গনাইজেসন অসিগী রিপোর্ট অমা পুথোকখিবদা লূপ অসিনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী লান্মী অমসুং লোয়নবা মীওইশিং পুথোক্তুনা ঈরাং লৈবা লৈবাকশিংদা মতেং পাঙলকখিবা লৈবাকশিংদা পীথোক্কদবা অপূনবা শেনফম অদু চাওরাক্না য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ২৬৫নি হায়না ফোঙদোকখি।

তোল্লিবা শেনফমশিং অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা খ্বায়দগী য়ামদুনা য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ৩৮ ওইরিবনি। ইন্দিয়াগী মতুংদা আফ্রিকাগী লৈবাক রূৱান্দাদা য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ৩১ পীগদবা লৈরি। পাকিস্টানদা য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ২৮, বংলাদেশতা য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ২৫ অমসুং নেপালদা য়ূ এস দোল্লর মিলিয়ন ২৩ পীগদবা লৈরি হায়না য়ূ এনগী সেক্রেটরি জেনরল এন্টোনিও গুটেরেসনা মখাতানা ফোঙদোরক্লি।

সেক্রেটরী জেনরল এন্টোনিও গুটেরেসনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা করিগুম্বা য়ু এন ওনা শোখদুনা লৈরিবা শেনফমশিং অসি অথুবা মতমদা পীহৌদ্রবদি চহী অসিগী জুন থা য়ৌরকপদা হান্না লৈরম্বা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২৬৫তগী হেনগৎলগা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫৮৮ য়ৌরগনি হায়রি। মসিনা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসনগী থবক চল্লাইবদা য়াম্না চাওবা অপনবা অমা লৈরগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসনগী জেনরল সেক্রেটরী ওইরিবা এন্টোনিও গুটেরেসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এনদা মতেং পাঙলকখিবা লৈবাকশিং অদুগী পীফম থোকপা শেনফমশিং অদু লৈবকশিং অদুনা শরুক য়াখিবা তোঙান-তোঙানবা মিসনশিং অদুগী মখা পোনেদ। মখোয়না মতেং পাঙলক্লিবা লান্মী অমসুং পুলিস পার্সনলশিংগী মশিং অমদি মতম অদুনা হেন্না মরু ওই হায়খি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শেল পায়দবা লৈবাকশিংগী খল্লদুনা অথুবদা থবক পায়খৎপগী খোঙথাং য়াৎতুনা লৈরি হায়খি।

# ইলেক্সন কম্মিসনগী অথিংবা শীংনরদুনা থাঙ্গৎলকপা ময়াৱতিগী পিটিসন রিজেক্ট তৌখ্রে




ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ ইক্সেন কমিসননা পুং ৪৮ ভোট খোম্বগী থবক চখবা য়ারোই হায়না থল্লকখিবা অথিংবা অমা শীংনরদুনা ময়াৱতিনা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অমনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা হিয়ারিং চখবা মতম চাদ্রি। তোখাইবা পিটিসন অমা ফাইল তৌরক্কদবনি।

উত্তর প্রদেশকী দিওবন্দদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন কেম্পেইন অমদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টনা য়াদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুই হায়বগীদমক ময়াৱত্তিগী মথক্তা সুপ্রিম কোর্টনা অথিংবা থমখিবনি।

দিওবন্দগী মীফমদা ময়াৱতিনা হায়খি, মদুদি মুস্লিমশিংনা কোংগ্রেস শৌগৎপগী মহুৎ সমাজৱাদি পার্টি, বহুজন সমাজ পার্টিঅমসুং রাষ্ট্রিয়া লোক দলগী এলাইয়েন্সতা ভোট পীফম থোকই। থৌওং অদুবু মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী ৱাংমদা লৈ হায়না পল্লদুনা ইলেক্সন কমিসননা ঙরাং থোকখিবা য়াথং চে অমনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা পুং ৪৮ চুপ্পা ময়াৱতিনা মীখলগা মরী লৈনবা মীফম, প্রোসেসন, রেল্লি, রোদ সো অমদি ইন্টর্ভ্যুদা ৱা ঙাংবা য়ারোই।

পোলিটিক্সতা মতম শাংনা খোঙদারক্লবী ময়াৱতিগুম্বী মশকনাইবী লুচিংবী অমনা কাংলুপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা ভোট খোম্বগী থবক চখবা চুমদে হায়না ইলেক্সন কমিসনগী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

কমিসননা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথ, বিজেপিগী লুচিংবী মনেকা গান্ধি অমদি সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অজম খানসু মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট ঙাক্না চৎতে হায়বগীদমকমথং শীৎনা পুং ৪৮ অমসুং পুং ৭২ ভোট খোম্বগী থবক তৌবা য়ারোইহায়না অথিংবা থমখি।

মিরুটতা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা অদিত্যনাথনা হায়খিবনি মদুদি কোংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিনা অলিদা থাজবা থল্লবসু ঐখোয়না হনুমানদা চেৎনা থাজবা থল্লি।

অমরোমদা জয়া প্রধাবু আর এস এসকা মরী লৈনহন্নবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অজম খানগী মথক্তা ইলেক্সন কমিসননা অকনবা থবক লৌখৎলকখি। জয়া প্রধাগী মরমদা নাতে চাদবা ৱা ঙাংই হায়বগী মরালদা কমিসননা অজম খানবু পুং ৭২ ভোট খোম্বগী থবক তৌবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবনি।

সুলটানপুরদা কাংলুপ মশেল নুংশিন্নদনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়বগীদমক বিজেপিগী লুচিংবী মনেকা গান্ধিগী মথক্তসু ইলেক্সন কমিসননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙখি।

মহাক্না হায়খি, মুস্লিমশিংনা ভোট পীরবসু নৎত্রগা পীদ্রবসু বিজেপিনা শোইদনা মায় পাক্কনি। মায় পাক্কদবা কাংলুপকী মায়কৈদা লেপ্পনা ফত্রা নৎত্রগা মায়থিরগদবা কাংবুগা চৎমিন্নবনা চুম্বা হায়বদু মুস্লিমশিংনা কুপ্না খন্থবা মতম ওইরে হায়না মনেকা গান্ধিনা ফোঙদোকখিবনি।

কাংলুপ নাইবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবগীদমক মনেকা গান্ধিবু পুং ৪৮ চুপ্পা ভোট খোম্বগী থবক চখবা য়ারোই হায়না ইলেক্সন কমিসননা অথিংবা থমখি।

# ময়াৱতিগী ৱাখল্লোনগুম্না নবজোত সিংহ সিধুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মায়োক্তা মুস্লিমশিং পুনশিনসি হায়খ্রে



কটিহার, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ বিহারগী কটিহার সিটিদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা পঞ্জাব ষ্টেটকী মিনিষ্টর ওইবতা নত্তনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমসু ওইরিবা হান্নগী ক্রিকেট শান্নরোই ওইরম্বা নবজোত সিধুনা উত্তর প্রদেশকী বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিগী ৱারোল অদুগা মান্ননা বিহারদা মুস্লিম ময়াম পুনশিন্দুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি মায়থীবা পীনবা হোৎনসি হায়খ্রে।

কটিহার কন্সটিটু্যয়েন্সিদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইরিবা টরিক অনৱরগী ভোট খোম্বা রেল্লি অদুদা নবজোত সিংহ সিধুনা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মায়কৈদগী মুস্লিমশিংগী মথক্তা খুরৌ থাংবা য়াবা থবক পায়খৎকদৌরে হায়বগী মতাংদা মীয়াম অদুবু মাংজৌননা চেকশিন্না লৈননবা ৱাফম কয়া থমখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা মুস্লিম পোপুলেসনননা চাদা ৫৪ ওইরি। মখোয়বু থাজবা পীদুনা পঞ্জাবতা থবক শুবা লাকউ। করিগুম্বা পঞ্জাবতা মখোয়না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থেংনরকপদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখি।

কটিহার কন্সটিটু্যয়েন্সিগী মীরেপ তরিক অনৱরবু শৌগৎতুনা নবজোত সিংহ সিধুনা রেল্লি অদুনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি লৈঙাক্না ওৱাইসিগুম্বা মীরেপ অমা পুথোক্তুনা মুস্লিমশিংগী ভোট মচেৎ তান্নবা শীন্দুনা বি জে পি লৈঙাক অদুমক লৈননবা হোৎনরি হায়খি।

তিনখিবা মীয়াম অদুদা মুস্লিম পুম্নমক্না চপ মান্ননা ভোট পীমিন্নরবদি লৈরিবা অৱাবশিং অসি অতেনবা মতমদা কোক্কনি হায়খি।

মোদিবু ক্রিকেট বোল অমা ওইনা লৌরগা সিক্স য়েদুনা বাউন্দরি মপান্দা তাহনখ্রগা অতোপ্পা লৈঙাক অমা শীননবা চপ চাবা মতম অদু য়ৌরে হায়না বিহারগী কটিহারদা লৈবা বলরামপুর হায়স্কুলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অদুদা ফোঙদোকখি।

সিধুনা মখা তারদুনা তিনখিবা মীয়াম অদুনা মখোয়গী অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোল পুথোক্তুনা চুংশিন্নবা ঙম্নবদি কটিহারগী মীরেপ অমা ওইরিবা তারিক অনৱরবু মায়থীবা পীবা ঙমগদবা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, উত্তর প্রদেশকী ময়াৱতিনা দিওবন্দদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা বি এস পি-এস পি-আর এল দিনা পুনশিল্লবা মতমদা কোংগ্রেস অমদি বি জে পি মায় পাকপা ঙল্লোই হায়খিবনি।

# ইলেক্সন কম্মিসনগী ফ্লাইয়িং স্কৱাদনা করনাটাকাগী সিএম ওইরম্বা য়েদুরপ্পাগী লগেজ সপ্রাইজ চেক তৌখ্রে







বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ ইলেক্সন কমিসননগী ফ্লাইয়িং স্কৱাদকী টিম অমনা বিজেপিগী লুচিংবা অমসুং হান্না করনাটাকা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি এস য়েদুরপ্পাগী লগেজ অমা শিবমোগাদগী হেলিকোপ্টর অমা তোংলমদাইদা সপ্রাইজ চেক তৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী য়াম্না মরু ওইবা পাউগী এজেন্সি অমনা থাগৎলকপা ভিদিও অমদা করনাটাকাগী সিএম ওইরম্বা য়েদুরপ্পানা সিবমোগাদগী হেলিকোপ্টর অমা তোংদুনা চৎনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা ইলেক্সন কমিসনগী ফ্লাইয়িং স্কৱাদ অমা লাক্তুনা মহাক্না পুগদবা লগেজ অদু পাউ পীদনা চেক তৌখি। লগেজ খক্তা নত্তনা য়েদুরপ্পানা পায়রম্বা হেন বেগ অদুসু চেক তৌখি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী ইনকমটেক্স দিপার্টমেন্ট অমসুং ইলেক্সন কমিসননা করনাটাকা ষ্টেটতা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা ষ্টেট অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াগী মথক্তা রেয়েইদ চখবা লৈখ্রবনি।

থা অসিগী ১১দগী লৈবাক অসিগী ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজগী ভোট থাদবা হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা ইনকম টেক্স অমসুং ইলেক্সন কমিসনগী ওফিসলশিংনা মীরেপ অমদি মীরেপকা নক্নবা মীওই কয়াদা থি-হুম্বগী থবক চখদুনা লাকখিবনি।

ঙসি করনাটাকাগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিজেপিগী লুচিংবা বি এস য়েদুরপ্পাগী লগেজ অমসুং বেগশিং ইলেক্সন কমিসনগী ফ্লাইয়িং স্কৱাদনা চেক তৌখ্রবা মতুংদা ঙসি ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা হৌজিক হৌজিক করনাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা ঐচ দি কুমারাস্বামীগা নক্নবা মীওইশিংনা লৈরিবা মন্দিয়া, হাসন অমসুং বেঙ্গালুরুগী য়ুমশিংদা রেয়েইদ চখখি।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী অঙনবা শরুক্তসু ইলেক্সন কমিসনগী ফ্লাইয়িং স্কৱাদনা করনাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারাস্বামীগী গাড়ি অদু খামদুনা চেক তৌবগী থবক চখবা লৈখ্রবনি।

১৭শুবা লোক সভা মীখলগী ওইনা করনাটাকা ষ্টেটনা মীখল অসিগী অনীশুবা অমুসং অহুমশুবা ফেজতা ভোট থাদগদৌরি। অনীশুবা ফেজ অদু থা অসিগী ১৮দা ওইগনি। অদুগা অহুমশুবা অদুনা থা অসিগী ২৩দা ওইগদৌরি।

ইলেক্সক কমিসনগী ফ্লাইয়িং স্কৱাদনা চখখিবা অতোপ্পা রেয়েইদ অমদা হরিয়ানাগী রাওকেলাগী সেক্টর ৪দা লৈবা হোটেল অমদা সর্প্রাইজ রেয়েইদ অমা চখখিবদা মীখলগী মরী লৈনবা চে-চাং কয়াগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ২ ফাবা ঙমখি হায়রি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পোল্লিং বুথশিংদা কেমেরা থমদুনা য়েংশিল্লি ঃ বিজেপি এম এল এ

দাহোদ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ গুজরাটকী দাহোদ দিষ্ট্রিক্টতা বিজেপিগী এম এল এ অমনা পার্টি অদুগী লোক সভা মীখলগী কেন্দিদেট অমগী মীয়ামগী ওইবা রেল্লিদা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মফম অদুগী পোল্লিং বুথশিংদা কেমেরা খিন্দুনা পার্টি অদুদা কনানা ভোট পী নৎত্রগা পীদে হায়বা য়েংশিল্লি হায়বা ৱাফম সোসল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরক্লি।

বিজেপিগী এম এল এ রামেস কতারানা দাহোদ লোক সভা কন্সটিটু্যয়েন্সিগী মীরেপ অদুগী মীখলগী ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পোল্লিং বুথশিংদা কেমেরা খিন্দুনা পার্টি অদুদা কনানা ভোট পীরিবগে হায়বদু য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমা ওইরিবা দাহোদ কন্সটিটু্যয়েন্সিগী মীরেপ ওইরিবা বাভোরগীদমক মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না মঙোন্দা ভোট পীদ্রবদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং মখা তানা পীররোই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা ভিদিও রেকোর্দিং অদু সোসল মেদিয়াদা ফোঙদোরকপনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দাহোদ দিষ্ট্রিক্টকী কলেক্টর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর ওইরিবা ভিএল খরাদিনা ঙসি কাটারাগী মথক্তা সো কোজ নোটিস অমা পীখি। ওফিসর অদুনা মখা তারদুনা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী ৱাংমদা কাটারানা ভোটরশিংদা থমখিবা ৱারোলশিং অদু কোদ ওফ কন্দক্টকী ৱাংমদনি হায়খি। ভিদিও অদুদা থম্বালগী সিম্বোলদা ভোট পীয়ু, মোদিনা কেমেরা খিন্দুনা লৈরবনি হায়খি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী ওফিসল অমা আর্মিনা ফুখ্রে

স্রিনগর, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট (এস দি এম) অমা আর্মিনা ফুখ্রে হায়বগী ৱাহৌদা ষ্টাফশিং ইরাং হৌরকখ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি এস দি এম গুলাম রসুলৱানিনা মহাক্কী গাড়ি তোংদুনা কজিগুন টাউনদা চৎপগী লম্বেলদা লান্মীশিংনা খাল্লকখিবনি। এস দি এম অদুগা লান্মীগী মীওইশিং অদুগা অকনবা ৱাহে শীজিন্নদুনা নিংঙাই শংদানরবা মতুং মফম অদুদা লৈরম্বা আর্মি ওফিসর অমনা এস দি এম অদুবু ফুখিবগা লোয়ননা গাড়ি অদু অকাই অতোই থোকহনখি হায়না মশাক্না ফোঙদোরকখি।

অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট মেদিষ্ট্রেট মশামক্না থৌদোক থোকফমদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি। আর্মিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদুগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অমা পীরক্কনি হায়খি। নাকল অমরোমদা অনন্তনাগকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসকী থৌমীশিংনা আর্মি পার্সনলশিংগী মথক্তা এফ আই আর লোঞ্চ তৌদ্রবদি মীখল শরুক য়ারোই হায়খি।

# রাজনাথনা মীখলগী মীরেপ চে পীশিন্নবগী খোঙচৎতা অচৌবা লম্বেলগী থৌরম লুচিংখ্রে



লখনৌ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ উত্তর প্রদেশকী লখনৌদা লৈবা হজরটগন্সকী লম্বেলদা ঙসি বি জে পিগী খোঙজংলোইশিংনা লৈঙাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওইরিবা রাজনাথ সিংহনা লোক সভা মীখলগী মীরেপ চে পীশিলবা চৎখিবদা অচৌবা লম্বেলগী থৌরম অমা লুচিংখ্রে।

লখনৌ কন্সটিটু্যয়েন্সিদগী অনীরক শুবা টার্ম ওইনা মায় পাক্নবা হোৎনরিবা বি জে পিগী সেনিয়র লিদর অমসু ওইরিবা লৈঙাক অসিগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অখন্নবা গাড়ি অমদা তোংদুনা হজরদগন্সতা লৈবা দখসিন মুখি হনুমান টেম্পলদা খামদুনা প্রোসেসন অদু চৎত্রিঙৈদা অথেনপোৎ কৎখি।

রাজনাথনা হজরটগন্সকী মমিং লৈরবা হনুমান সেটু টেম্পল অদুদা মহাক্কী নোমিনেসন ফাইল তৌবগী খোঙচৎ অদু হৌদ্রিঙৈদা খুরুমখিবগা লোয়ননা রোদ সোগী মাংওইননা ষ্টেট বি জে পি হেদ ক্বাটরগী ৱার্করশিংদা অখন্নবা ৱাফম খরা থমখি।

ষ্টেট বি জে পি হেদ ক্বাটরগী খোঙজংলোইশিং অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রাজনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিনা হান্না লৈরম্বা মওংদগী মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবা তাঙ্কক অমদা থম্বা ঙল্লি হায়খি।

মোদিগী লৈঙাক অসিনা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংদা অচৌবা চেকশিন ৱাহে পীখিবগা লোয়ননা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু মহাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রাজনাথনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ১০দা টুর চৎখিবা মতমদা ষ্টেটশিং অদুগী মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি মহাকপু থাগৎ ৱাহে ফোঙদোরকখিবশিং অদু মশিং লাকঙমখিদে হায়খি।

মোদিবু অনীরক শুবা লৈঙাক পায়হন্নবা মীয়াম্না বি জে পিদা থাজনবসু থমখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মীখলগী নোমিনেস ফাইল তৌবা চথপগী লম্বেল অদুদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা পরেং লেপ্তুনা অফবা ৱাহে শীজিন্নদুনা মহাকপু মায় পাক্নবা থৌজাল পীখি।

ষ্টেট অদুগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর দিনেস শর্ম্মা, ষ্টেট বি জে পিগী চীফ মহেন্দ্রনাথ পান্দে, কেসব প্রসাদ মোরিয়া, মোহনলালগন্স অমসুং অতোপ্পা লুচিংবশিংনা রাজনাথ সিংহগী অখন্নবা ট্রক অদুদা তোংদুনা লম্বেল অদু রাজনাথকী মমিংনা পুমনিল নীলহনখি। মোদিবু অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইহল্লু হায়বগী খোল্লাও লাউখি।

# টামিলনাদুগী ভেলোরদা মশিং য়াম্লবা শেল ফাগৎখিবদগী ষ্টেট অদুদা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগী মতম য়ৈথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী)ঃ টামিলনাদুগী ভেলোর লোক সভা কন্সটিটু্যয়েন্সিদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগা লোয়ননা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ২শুবা ফেজগী মীখলগী ভোট থাদনবগী মতম লেপখিবা অদু থা অসিগী অঙনবদা য়াম্লবা শেনফম অমা মফম অদুদগী ফাগৎখিবা মরম্না মীখলগী মতম য়ৈথোক্লে হায়না ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়নানা ফোঙদোরিক্লি।

ভেলোরদা দি এম কেগী মীরেপ অমগী গোদাউন্দগী শেল ওইনা লুপা ক্রোর ১১.৫ ফাগৎপা ঙমখিবদগী টামিলনাদু ষ্টেটকী ওইনা কন্সটিটু্যয়েন্সি ৩৯দা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা ভেলোরগী ওইনদি মতম য়ৈথোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কমিসননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা এপ্রিল ১৪দা কমিসন অসিনা থোকখিবা ৱারোল অমদা ভেলোর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটু্যয়েন্সিগী মীখল পাঙথোকপগী মতম হোংদোকখিবনি হায়রি।

ইলেক্সন কমিসনগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা লোক সভা অসিগী পুৱারিদা অহানবা ওইনা ভোটরশিংবু শেল পীদুনা ভোট থাদনবগীদমক মশিং য়াম্লবা শেনফম লৈরম্বদগী মীখলগী মতম য়ৈথোকখিবনি।

ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা টামিলনাদু ষ্টেটতগী মীখলগা মরী লৈননা লুপা ক্রোর ৫০০ রোম ফাগৎপা ঙমখি। মদুগী মনুংদা ক্রোর ২০৫দি শেনগং ওইখি। অদুগা লেমহৌবা অদুনা সনা ওইখি হায়রি।

ভেলোর কন্সটিটু্যয়েন্সিগী ওইনা পুন্না মীরেপ ২৩না মায় পাক্নবা হোৎনরি। য়াম্লবা শেনফম অদু ফারবা মতুং চেন্নরিবা দি এম কে কথির অহমদ অমসুং অতোপ্পা খোঙলোই অনীসু ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ভেলোর পুলিসনা ফাগৎখি।

মার্চ ৩০দা ইনকম টেক্সকী ওফিসলশিংনা ভেলোরদা লৈবা দুরাই মুর্গনগী ময়ুমদা চেক চখখিবদা লুপা লাক্ষ ১০.৫০ ফাগৎপা ঙমখি। নুমিৎ নীনি লৈরগা ইনকম টেক্স ওফিসলনা দি এম কেগী লুচিংবা অসিগী গোদাউন্দগী লুপা ক্রোর ১ রোম ফাগৎখ্রে হায়রি।